# ‘‘চফু কায়রগা ক্বাক্লা হরাওই’’

- উশম ধরমেন্দ্র -

হন্দক্কী কুমজা ২০২৩ অসি য়াম্না নুংঙাইতবা কুমজা হায়বদু ওইরে। হৌগৎলকপা মতমদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা য়াম্না কন্না মায়োক্নখি। লন্নাই ঈশিং টেঙ্করশিংদগী ঈশিং লৈনবা হোৎনবদা থোইদোক্লা মীচম মীয়ামশিং য়াম্না ৱানখি। ঈশিংনা মীওইবগী থৱায়নি। ঈশিং ৱাৎপা য়াদে। ঈশিং য়াওদ্রবদি মী শিগনি। খুন্নাইসিদা নোংমগী হাতে-হাতে শুজরগা হিংজরিবা কাঙবু অমসুং ময়ায় ওইবা থাক্কী মীওই কাঙবু নুংতি নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নদবা য়াদ্রবা ঈশিংবু লৈগদরা, চাক চরা অনীগী লানফম্বু মায়োক্নগদরা, মচা মশুশিংগী মহৈ মশীন তমহন্নববু হোৎনগদরা ইৱাতা ৱাই, অরেং-অরেং পুখৈ। লমদমসিদা নুংঙাইরিবা ৱাৎত-পাদনা পাল্লিবসিদি মীওই খরতনি। ‘‘ঙক য়োল্লগা সেনাপতি ফংই’’ হায়বদুনি শিবা কিদবা, শেল পায়দবা য়াদে হায়দুনা অচুম-অরান, অফ-ফত্ত য়েংদনা হনবা লৈতনা মানা মানা থল্লিবা টার্গেট অদু ফংনবা চঙশিল্লিবা কাঙবুদুনি শেল পায়রিবসি। মখোয়দা পাপ-পুন্য লৈতে। লাইনীং লম্বীগী ফজবা পাউতাক্তি লাই নীংলিঙৈ খুরুমলিঙৈ লাইশঙ মনুংগী ৱানি, মপান থোরক্লবদি লাইনীং লম্বীগা হিংবগী চৎলিবা লম্বীগা মরী লৈনদে হায়বদুনি। অমুকসু লাইদি হায়জরগা য়াবনি হায়দুনা পাপ ফনা তৌরুরবসু কোন্না হায়জরগা লোইরে হায়দুনা পাপ কয়া তৌবদা অকিবা ফাওনদে।

মহৌশাগী ফজবতনা লৈতেংলবা পীক্লবা ইরমদমনি মণিপুর। য়েন্নীংথানা লাকপদা অনৌবা ফিজোল হোংদুনা য়েংখি য়েংখিবদা ইফদা ফজবা ইরমদমনি। চীংগী শরুক্না মশীং য়াম্বা তমগী শরুক্না চাদা মাপলমুক্তা ওইবা লমদমসিদা চীংগী লমদা হৌরিবা মখল কয়াগী চাউর-চাউরবা উ পাম্বীশিং অমসুং মদুনা অনৌবা য়েন্নিং হুল্লকপা অমদি মখোয়দা তাংজদুনা তাংজবী ওইনা হৌজরিবী মখল কয়াগী উরৈশিং খোঙ্গু মেল্লে, ক্বাকলৈ, মেলৈ লৈস্নানচিংবগী ফজরবা মচু কয়ানা অউবশিংগী পূক্নিং শুমহৎলিবনি। অচৌ অচৌবা উপাম্বীশিংদগী চুমথরকপা চীংজুম লাইজনা চহী চূপ্পা তম্পাক্তা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈচেল লেপহন্দনা লাকখিবনি। অদুবু মদু পূম্নমক্তু হৌখিবা চহী খরসিদদি য়াম্না তায়োন্ননা থোকখি। মীপূম খুদিংমক্না উনরে চীংগী মনুং অমসুং মপান নাইদনা উমং কয়া কোকথোক্লে। মদুদা ফুদ ক্রোপ থাবগী মহুত্তা কেশ ক্রোপ থারে। পোপী পাম্বীনা পাক শন্না চীংগী চীংমাই নাপোমশিংদা উরে। পোপী পাম্বীনা য়েংবদা নীংথিজরিবা মখৈ মদুদগী থোরকপা ময়াই কাবা চিঞ্জাকসু মগুন য়াম্না লৈ। মপূং ওইনা হিরোইন নম্বর ফোর হায়রিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক অসিনা নহা কয়াবু খূৎলাম তোয়না কৌশিল্লি।

নহা ওইরিবা ইনখৎলকপগী মতম হায়বসিদি অকি অখং লৈতে, চাংয়েং তৌনীংবা ঙাক্তনি। অফ-ফত্ত থোইদোক্লা খন্থরুদে। মহাভারতকী ৱারীদসু দুর্বাশা মুণিনা পীরম্বা মন্ত্র ইনখৎলক্লিবী কুন্তিনা চাংয়েং তৌরুবদগী লৈশা লৈশানা মমা ওইবীগী মিংথোল ফংখিবদুনি। মদুমক্না মরম ওইদুনা পুন্সি চূপ্পা পুঙমদবা অৱাবা পোৎলূম পুবী ওইখিবদুনি। তৌরুনু হায়বসিনা তৌনীংই, চাং য়েংনীংই। ফত্তে হায়বা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাংয়েংলুই নহাশিংনা অমুক্তং অমুক্তং তৌরগা তোক্কে হায়দুনা অদুবু হঞ্জিন হঞ্জিন তৌদুনা তোকপা ঙম্নদে, মমৈথংদা এদ্দিক্ট ওইরকই। মৈরানবীনা মৈরীদা চোংশিঞ্জদুনা মশা চাকথেকচরগা শিবগা পাংখক্লি। অসিগুম্বা লৈবাক অমগী খুন্নাই অমগী নহাশিং মাঙহনবদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা পোপী পাম্বী, কনানা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা উমং কোকথোক্তুনা থাবগে? উমং কোকথোক্তুনা মহৌশাগী খলসু কায়হনবা, নোং খজিক্তং চুবগা ‘মদ স্লাইদ’ থোকহনবা, ইনখৎলক্লিবা খুন্নাইসিগী নহাশিংবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী লাংদা থুহনবা মসিবু অফবা থবকনি হায়গদৌরিবরা। মীওই খুজোক খরা নুংঙাইনবা হোৎনবদা মীওই কয়ামা ৱাহনবনি। অমরোমদা খুন্নাইসি পুংমুৎ মুখৎনবা চঙশিনবা অরোনবা এজেন্দাগী লাল্লোং অমনি লৌবদা লাল্লোই।

ইরমদম মণিপুরসিদা য়েলহৌমীশিং নোংমা নোংমগী মীরৈবাক্তগী চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিং ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিংনা অদুম লাঙ্গোই চনশিল্লকই। য়ূমথংনরিবা ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশ, নেপালদগী অতৎ অখম লৈতনা লোন্না থুপ্না ফোরেন্নরশিং হাইজিল্লক্লি। মণিপুরদা হান্না খুন্দাদুনা লৈরবা শক-চু, লোল, ধর্ম্ম মান্নবশিংগী মরক্তা অদুম তিনশিনখিবদা খঙদোক্তনা খন্দোকফম খঙদনা অদুমক লাকখিবগী লিশাং শিৎখ্রবা থৌওং অমা ঐখোয়না থেংনদুনা লাকখ্রবনি। মদুমক্লনি দেমোগ্রাফিক ইমবেলেন্স অমা লাক্লিবসি। হিংবদা ৱাবা তংদু লৈতানা লৈবা ফংদবদগী শাফগদবা মফম অমা য়েংলকপা হায়বসিদি মহৌশানি। অদুবু লৈবাক্কী আইন হায়বা অমা লৈরি, ইশাগী লৌরি য়ূম্ফম হায়বা অমা লৈরি লায়রবা লৈবাকসি ঐখোয় ফাওবা শুফম নোম্ফম খঙদ্রিবসিদা খঙন চান্নবনি হায়দুনা ঐগী য়ূম্ফম পীথোকখ্রগা ঐনা উচেক ৱায়াগুম পাইদুনা লৈবা হায়বসি ওইথোকফম থোক্তে। অমুকসু মণিপুর ইন্দিয়াদা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা পুল্লবা নিংথৌ পাল্লম্বা লৈবাকনি। ইন্দিয়াদা পুল্লবনিনা ইন্দিয়াগী সিটিজন ময়াম অমা লাকফম থোকই। লাকই মখোয়দা অথিংবা পীবা, মণিপুরদা শুংলাক লাকপা য়ারোই হায়বগী হকসু ঐখোয়দা লৈতে। ইন্নর লাইন পর্মিট পায়দুনা লাকউ লৈবগী মতম লোইরগা নরমদমদা হঞ্জখো হায়বনি।

মণিপুরগী পাক চাওবগী শরুক্কী চাদা মাপন য়ৌফাৎতবা মফমসিদদি মণিপুরদা খুন্দারিবা কাঙলূপ খুদিংমক খুন্দাবা য়াহল্লি। য়ুনিফোর্ম লেন্দ লো অমা লৈতবনা মীতৈশিংনা চীংগী জগা অমদা খুন্দাবা য়াহন্দে। তম্পাকসিদদি কনাগী কাঙলূপ খুদিংমক খুন্দারি। ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মণিপুরগী লম ওইরম্বা চীংলোন মাপন ৱাংমগী কবো তম্পাকসু ম্যান্মারদা পুনখিবদগী মদুদা লৈজরম্বা মণিপুরগী হক পূম্নমক মাঙখ্রে। মীতৈ অমসুং মীতৈ পাঙলশিং অনীসি অমত্তা মীতৈ হায়রবসু করিসু কায়দে, অনীসিগী তুংগী চারোন শুরোনগী হিংবগী হক, হিংবগী লম্বী অসুমক খুজিল্লক্লি। ঙাকলৌ লৈতে। মদুননি হিংবগী ঙাক্লৌ ওইননবা মীতৈশিং সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওইজরগে হায়দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লিবসি। চহী তরা শুজিল্লক্লবা দিমান্দনি। মীতৈ/মৈতৈনা ঐখোয় সেদ্যুল্ড ট্রাইব ষ্টেটসতা হঞ্জিঞ্জরগে হায়বদা ট্রাইবেলনি হায়রিবা চীংমী খরনা অসুক্কী মতিক নিংদোল পোল্লিবা ‘মমাগী শেঙ্গাও লাকখিবগুম’ শাউনীংলিবসি করিগীনো হায়বা ৱাহংসিনি লাক্লিবসি। ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইনা মীতৈ/মৈতৈনা মশাগী হক তাঞ্জবদা অতোপ্পা ফুরুপশিংনা শাউফম থোক্তে, মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দদু পীগদবসু নত্তে। মখোয়দা শোক্কদবসু নত্তে। মখোয়না কাউরোইদবদি মীতৈ/মৈতৈসু ট্রাইবেল ওইনা অদুম হিংদুনা লাকখিবনি হায়বসিনি।

‘‘সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি’’ মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহনগদবনি হায়বা দিমান্দ অসি তৌদুনা কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিংনা এম এল এ মন্ত্রিশিংগা উন্নদুনা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা কুইরক্লে। অহলগী মতম ওইশিল্লক্লবা কয়া য়াওনা তুংগী মীরোলগীদমক্তা খঞ্জদুনা তূম্বা-চাবা খঙদনা অৱা অনা থিদনা চঙশিনজবা খোঙজং মুন্না খঞ্জিল্লুরবদি পূক্নিং নুংশিনীংঙাইনি। অমুকসু ইশম শম্বা লোজিক্তা মণিপুর হায়বা লমদমসি চীং-তম অনী পুল্লগা শাবনি। চীংদা লৈবা মীবু চীংমী, তমদা লৈবা মীবু তম্মী অসুম্না খঙনৈ। চীংমী তম্মী অনী মচিল মনাওনি। তম্মীসু হান্না চীংদা লৈরম্মী। কোন্না তমদা কুমথরকপনি। অদুনা কনাগুম্বা ওজা, গুরুশিংনদি মীতৈশিংবু চীংমী অরিবা হায়নসু কৌনৈ। মচিল মনাও অনীগী মরক্তা অমনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওইরগা অমনা করিগী ওইরোইদৌরিবনো অচম্বা ৱাহংনি। সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা মণিপুর হায় কোর্টতা রিট পিটিসন অমা পীশিনখি। মদুগী মতুংইন্না এপ্রিল থাগী ১৯দা মণিপুর হায় কোর্টনা চয়োল মরিগী মনুংদা মথৌ তাবা রেকমেন্দেসন অদু থাননবা মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহনখি। অমরোমদা হায় কোর্টকী জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা ফুরুপ খরনা মখূৎতা আইন পায়শিন্দুনা ঈরাং শাগৎপা হৌরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। আইন চৎনরিবা লৈবাকনি। য়ানীংদ্রবদি আইনগী মতেং লৌদুনা থেংনগদবনি মদু নত্তনা মীচম মীয়াম্বু লান্না লমজিংদুনা ইমোসন্দা ঈরাং শাগৎপদি চুম্লোই।

মণিপুরদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স থম্বা, মণিপুর ষ্টেট পোপ্যুলেসন কম্মিসন লিংবা, আই এল পি ময়াক য়াওহন্না চৎনহনবা হায়বশিংসি মীয়াম্না তান্দুনা লাকপনি। আই এল পি ময়াক য়াওরক্লগনি হায়বগী থাজবসু লৈরক্লি। পূম্নমকসি লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী য়াইফনবনি। অদুবু লাইবক থীবদি ঈরাং শাগৎপা পাম্বা পুৱারীবু লান্না লান্না লমজিংবা, ইনশিনবা কাঙবুনা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা পামদবা থৌদোক লমদমসিদা থোকহল্লে। ঙল্লিঙৈগী মতমগী মীতৈ নিংথৌ তাউথিংমাংবু ‘মাং’ তাই হায়দুনা কুকিনি হায়জিল্লিবসিবু তাবা য়ারিবা ৱারা? চাইনিজ হিষ্ট্রিগী অফাওবা কুমজা ১৯১১গী রেভল্যুস্নরি ডা. সুন-য়াট-সেনবু সেন তাই হায়দুনা বেঙ্গোলিনি হায়বা য়াগদৌরিবরা? মথোঙ চাদবা।

লোইশিল্লকপদা মণিপুরদা থোরক্লিবা পামদবা থৌদোক মখা তানা থোকহন্দনবা লৈঙাক্লা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎফম থোকই। কাঙলূপকী ঈরাং থোক্লগা মীচম মীয়াম্না হেন্না অৱাবা নংই। মীকপ মীরাওখোলতনা নিনবা ইরমদম ওইহন্নীংদে। ‘চফু কায়রগা ক্বাক্লা হরাওই’ হায়বা ৱাফমসু লৈ হায়না থমজরি। ●

# মায়পুনবা থৌদাং লৌরসি

- অথোকপম তোম্বা -

ৱাঙাঙলোইশিংনা মীয়ামদা পীবা পাউজেলসে ওন্থোক্লা ফজখ্রে, অতাবা-অয়েংবা মীশিংদি মশক মতৌ ফজবী, ফিজেৎ লৈতেংদি তৌরবসু অহাঙবনা থল্লবা শাথেক্তা ফজনা জগোয় শাববু অয়েংবা মীয়াম্না মিৎ থক্তুনা ময়া কাদুনা য়েংবগা পাংখক ওইরিদো। জগোয়দু য়েংলুবা কাঙবুগী ৱারীদা অতাবা কাঙবুনা উবদি ফংহৌদবা পাউদমদুদা নুংঙাইবা অদুগা পাংখক ওইরিবরা খঙদেদা। অদুবু ৱাঙাঙদি শোয়খ্রবসু লানখ্রে হায়রগা চুমথোকপা য়াইদো অদুগা জগোয় শাবগী তান্থাগী খূৎথেক্তু শোয়খ্রবদি লোইরে, চুমথোকপা য়াদে। অদুগুম্না পরিক্ষাগী পাউখুম খুম্বা ঙমদ্রবা নৎত্রগা লান্না পাউখুম পীদুনা ইরম্লবসু নম্বরদি খক ফংবা ঙমদে, নম্বরসু পীবা ঙমদে। মপা-মমানা মচাশিংদা লাইরিক লাইশু তমহল্লি অদুগা পরিক্ষা থাখিবা খুদিংগী হংই খঙদদুনা ইবদি ইরমদবা, মচিন্দদি পাউদম্বদা নুংঙাই মহায়বা অদুগা পাংখক ওইহনবীগনু, পরিক্ষা হায়দোরকপা মতমদনা ফেল ওইরকপা অদুগী থৌদৌদি ওইহনগুমসি হায়না নীংশিংজনীংই। ইশানা ইশাবু থাগৎচবদি কাচিন কোয়া য়ৌনা থাগৎপীয়ু ফজবা লৈতেংগা লোয়ননা, লৈগী তোংশাদি শরূ পান্দবনি উরমদবা-খঙলমদবা উবা ফংবনি। ময়ূম পাল্লবা নুপা-নুপী অনীমক অদুগুম্না লুচিংবা অমসুং খোঙলোইশিংদি শোয়দনা উরমগনি পূম্নমক্তো। মতম অসি অইবা-অইবীশিং অসিনা মা-মাগী পূক্নিংগী ৱা চাওখৎ খোঙথাং অমসুং শেমগৎ শাগৎপগী খোঙথাংদা হেন্না মরীক চুম্নবা মথেল অমনি হায়না লৌবগী মহুত্তা তূমিন্না লৈশিনবগুম তৌরি।

ইরমদম চাওখৎ খোঙথাংদা শোত্থবা মতমদা ইরমদমগী লৈজরম্বা শক্তম খুদিংমক মপান্থোংদা হঞ্জিন্না য়েংবদদি ফজবা য়াম্না নুংঙাইনা লৈরি মনুংদদি ফীভম শোক্লবা খোঙচৎ ওইরি ঙসিগী খুন্নাইসে। ঙল্লিঙৈগী মতমগী মৈহৌরোলদগী হৌনা মণিপুরগী নাৎ অমসুং শক্তম ঙাক্তুনা লাক্লিবা অসি অতোনবা মীশিং য়ামদবা অমা ওইরক্লি। মদুনদি মণিপুর মচেৎ তানা কায়খিবা তাবনি হায়বা চেকশিন ৱারোল নৈনদুনা য়েংসি। মীরানচাশিংনা লাঙ্গোই চন্দুনা খুরক হাংদনা লৈরক্লবা ইরমদমনি, হৌজিক তূমদুনা লৈবগী মতম ওইদ্রবনি। অমুক্তা নৈনদুনা য়েংবীয়ু ময়ূম পান্দবা নুপীশিং মশীং থিবদা ৱারমদে, অঙাংসু মশীং য়াম্না পোক্লম্বগী খুদম য়াম্না চাওনা লৈরমই, মদুগী শক্তম অদু মূৎখ্রে। ময়ূম পান্দবা নুপীশিং মশীং থিবা ঙমদনা লৈরে লৈকায় খুদিংদা। মতম খরগী মতুংদদি ইমুং খুদিং অঙাং পোকপগী চাংসু অমা অনীদগী হেন্দ্রবনি। মসিনা তাকপদি নোংমদি শোয়দনা মাইনোরিটি ওইরকপা তাবনি মৈতৈসে। পোপ্যুলেসন কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম লৈত্রবনি হৌজিক্কী মীরোলসে। মসিগী ৱাফমসে খন্ন-নৈনবগী ৱাফমদি তূমিন্না লৈশিনবগুম তৌরি, নৈনদুনা অমুক্তা য়েংবীয়ু শোয়দনা খঙগনি ফীভমসে। মীয়াম পূন্না তাথোক তাশিন তৌদুনা মতম চারিঙৈদা খন্ন-নৈনহৌদ্রবদি তুংদা ওইরক্কদবা ফীভমসে লুরিবনি। মমাঙঙৈদা নুপীশিংনা অঙাং পোকপদা মাইবীখক্তনা অঙাং মাপন-তরা পোক্লমই। হৌজিক্না অঙাং অমা পোকপদা ওপরেসন তৌদ্রবদি য়ারোই হায়বগী চৎনবী অমসু ওইরি। মসি ডাক্তরনা শেল পাম্বগীরা খঙদ্রে তৌরিসে।

হৌজিক চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অহোংবা কয়ামরুম্না থল্লবা মতমনি। অফবগী মায়কৈদসু ফত্তবগী চাংসু অসুক্কী মতিক ৱাংখ্রে। অদুনা মহৈরোয়, নৌনা হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংবু অরেম্বদা মতম মাঙহনবগী মহুত্তা মতম্বু মশক খঙনা শীজিন্নহনবা তঙাইফদবা ওইরি। মরমদি মায় পাকপা মী অমা ওইহনগে হায়রবদি মশা-মশাগী হৈনজবা শিনফমদা মায় ওনশিন্দুনা থবক তৌবা তাই। মসিগী মরু ওইবা থৌদাংদি মমা মপা, লমজিং লমতাক তৌগদৌরিবা অদুগী অচৌবা থৌদাং লৈরিবনি। মদুনা মতম চারিঙৈদা মমল খঙনা চৎপা অসি য়াম্না মরু ওইবগী মথৌ তাই। লিক্লম কায়দনা লাইরিক লাইশু তমহনবা, চৎন-কাঙলোনবু মশক খঙহনবা, অফবা মতিং লৈবা লিদর অমা ওইবা ঙম্নবগী ইনোৎ, ঈথিল অমা পীবা, অফবা ৱাখল্লোন চেলহনবা, নীংহন্নবা লৈতনা লমজিং লমতাক তৌদুনা মাঙলোমদা মী অমা হায়বদি মতিক মঙাল লৈনবা হোৎনবা চঙই। মহৈ মরোং অমসুং মনা মশিংশিং ফহনগে হায়রবদি থাগদবা মফমদু নিংথিনা শেম শাবা, লৈহাও লৈহনবা, মতম চানা মখোঙ শোম্বা, ঈশিং চাইবীবা, হার হাপ্পা, ফত্তবা তীলনা চিকথৎতনবা শেন্নবা, তোংলবসু ফান্দোকপা, তোংদনবা শেন্নবা অদুগা চপ মান্নরিবনি হৌরক্লিবা অঙাংশিংদি। মরম অদুনা অফবা মী অমা ওইনবা শেম্বগী থৌদাংসি ওন্থোক্লা চাওখ্রে, শেন্নহৌদ্রবদি লম্মখাংদা তীলনা চিক্তুনা ময়োল য়াওদ্রবা পাম্বীগা পাংখক ওইরিবনি। হৌজিক মতমদা রোবোট শাদুনা মীওইবগা মান্ননা থবক তৌবা ঙম্লবা মতমসিদা, অদুবু লুরিবদি রোবোটতু শাদুনা পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙখিবা ৱাখল অমসুং মতম অদুনি লুরিবা। ইরায় লায়না হেক্তা পুথোকখিবা নত্তে অদুগা পাংখক্লি অঙাং অমা মী ওইনবা শেম্বগী থৌদাংসে হায়না থমজগে।

অফবা ৱাখল্লোন অসিনা মাঙদা থমদুনা এদ্যুকেসনল সেক্টর ওইরিবা স্কুল, কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিবু অফবা লমজিং লমতাক্কী লিশাং শিৎনা হীরম অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা অফবা মায়োন্দা চিংশিনবা তঙাইফদবা ওইরি। মসিগা ইরোয়ননা লমজিং লমতাক্লিবশিং লোয়ননা শেন্নরিবা, লোয়নরিবা পূম্নমক চপ মান্নবগী থৌদাংসু তঙাইফদবা ওইরিবনি। অদুদি নত্তনা মা-মানা তৌনীংবতা তৌহনবা, শেম্বী শাবীদবা, করি তৌরি খঙদনা লমফৈ অমদা চৎখিবা তারবদি ফত্তবা লম্বীদা চিংশিনখিদুনা মশক মতৌদি য়াম্না ফজবা, তীল চঙবা হৈনৌ অমুনবা অমসুং হৈবোং অমুনবগা পাংখক ওইখিবনা শারিঙৈদা য়ৈহৌবা তঙাইফদবা ওইরিবনি। মতমগী চৎনবী মতুংইন্না ফত্তবা লোনচৎ, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা ওইনা মায় ওনশিনখ্রবদি তম্বদা লায়বা, মতমসু চঙদবা লম্বীদা চৎখিবা কয়া ঙসিগী খুন্নাইদা তাওদুনা লৈবা থেংনরিবা অসিনি লুরিবদি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা অরেম্বদা শেল মাঙহনবনা ইশা মাঙজবা অদুগা মহৈ তম্বদা তিংবা চাদিংনা লেম্না মাঙদবা, তুং কোইনা নুংঙাই য়াইফবা মীরক তিনবা অসিনি তমজরিবা পাউদমদি।

ৱরী লীবা হৈবা মীনা লিশাংশিৎনা মথং মনাও নাইনা লৈথেক লৈকোই হাপ্তুনা লিবা ৱারী ময়াম্না তাবদা নুংঙাইহল্লি, ফাগি তৌবা হৈবা লীলারোইনা মীয়াম্বু নুংঙাইবা ঈপাক্তা তাওহল্লি, মশক মতৌ ফজবী/ফজবা কয়ানা ফিজেৎ লৈতেং তৌদুনা সিনেমা, দ্রামা কয়াদা শক্তম লাংদুনা মীয়াম্বু পেলহনবা মদুগী মতৌগুম্না মমা-মপা লমজিং লমতাক্লিবশিংনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু লমজিংদুনা অফবা মীয়াম্না শিংথানবা ওইনবা হোৎনরসি, ফত্তবদগী কলহৌরবসি হায়না পাউদমজরি। অফবা লমজিং লমতাক্কী লিপূন্না পুল্লসি।

পাউজেল পীবদি অরুবা নত্তে, থবক ওইনা ওন্থোকপনি য়াম্না লুরিবদি। শোয়খ্রবদি নুংশেল, লিক্লি কায়খ্রগা অমুক শেমজিন শাজিনবা য়াদে অদুনা নিংথিনা কায়দনবা চেকশিন্না মফম চানা থল্লবদি শুম তাওনসু চাদে, শেৎলবসু শেংদোক্লগা ইরং লংই। অদুগুম্না মহৈ মশীন মতিক চানা হৈনবা চেকশিন থৌরাং তৌদুনা শকয়েন নুংশেল ওইহনসি, কাইদনবা শেন্নবা লিক্লি থম্বদৌনা হৌরক্লিবা নহারোল তুংগীদমক্তা চেকশিন থৌরাং তৌবিরো হায়না থমজরি।

অতানবসু, অচেনবসু পূন্না চয়োম থোক্তুনা অমত্তা ওইনা চামিন্নদুনা নুংঙাই-য়াইফবগী লিপূন্না পুল্লসি। ঐখোয় পূম্নমক ইশানা ইশাগী থৌদাংদা তুংলমচৎকী লম্বী শেম শারসি, মায় পাকপা ওইরসি। ●

ষ্টেটকী পাউ

## কাঙলূপকী ঈরাংনা অৱাবা নংলবা খুঞ্জাশিংদা মতেং লেপ্তুনা পাংলক্লি



ইম্ফাল, মে ৯ (ঐচ এন এস):

হৌজিক কাঙলূপকী ঈরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা চঙজফম লৌরিবা অমদি ময়ূম-মকৈ মৈনা চাকখিবদগী রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা মীয়াম্না মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরক্লি।

সনক্ষাৱর ক্লব নরানকোঞ্জিল ময়াই লৈকাইনা হৌজিক অৱাবা তারবা ৱাঙু পঞ্চায়টতা হাংদুনা লৈরিবা রিলিফ কেম্পতা চান-থক্লবা অমদি ফিরোলনচিংবা মতেং পাংখ্রে হায়না সনক্ষাৱর ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ প্রেমানন্দনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, থৌবাল অপূনবা লূপ (টি এ এল) অমদি এস দি এ থৌবালগী অপূনবা কাঙবুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা চেঙ কেজি ২০ চনবা বেগ ৫০, অচাথাউ বোট্টল ১০০, আলু বেগ ৮, থুম বেগ ২, হৱাই কেজি ৫০ নচিংবা মতেং পাংখ্রে।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখিবা রিলিফ কেম্পশিং অদুদি য়াইরিপোক য়াম্বেম কম্যুনিটি হোলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প, য়াম্বেমদা লৈবা য়াইরিপোক হায় স্কুল রিলিফ কেম্প, য়াম্বেমদা লৈবা পি ঐচ সী হোষ্টেল রিলিফ কেম্প, রামানন্দ হায় স্কুল অংথা ইমর্জেন্সি রিলিফ কেম্প, রিলিফ কেম্প নোংপোক সেকমাই, খোইরোম হায় স্কুলগী মনাক্তা লৈবা খোইরোম পি ঐচ সী রিলিফ কেম্পনচিংবদা মতেং পাংখি।

অমরোমদা, ৱেষ্টর্ন ষ্টার ক্লব লাংজিং অচৌবনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংদা লৈবা নাওরেম বিরহরি কোলেজদা লৈরিবা রিলিফ কেম্প, আশা রিলিফ কেম্প অমদি খুন্দ্রাকপম মমাং রিলিফ কেম্পতা চেঙ বেগ ১২, আলু বেগ ৩, তিলহৌ বেগ ৩, থাউ তিন ৩, ঈশিং অমসুং শেৎনবা ফিরোলশিং তেংবাং পীখ্রে। বিজিনেস ৱেলফ্যের এসোসিএসননসু সঙ্গোং অৱাং, সম্বোং মখা, সাইতোন অৱাং লৈকাই, হৈয়াইকোন কেম্প, ক্বাক্তা সন্দোং, ৱাই জি সী এন্দ মৈরা পায়বী চীংমৈ অমসুং ময়াং লাংজিং তনিংদা লৈবা রিলিফ কেম্পশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং খূৎশিন্নখ্রে।

## তরু-খোংনাং ৱিমেন কম্মিটিনা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ৯ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা খুন্দারিবা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমদা লাঞ্জেন্নদুনা থৌবাল ৱাংমতাবদা লৈবা টি টি হোলদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা ঙসি থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইগী তরু-খোংনাং ৱিমেন কম্মিটিনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং, ফিরোলশিং অমদি শেলগী তেংবাং পীখ্রে।

তেংবাংবগী থৌরম অদুদা তরু-খোংনাং ৱিমেন কম্মিটি থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইগী সেক্রেটরি তম্ফাসনা নিংথৌজানা ফোঙদোকখিবদা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবশিংদা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া মতেং পীমিন্নসি হায়নসু মীয়ামদা আপিল তৌরকখি।

## পি এল সী একাদেমি ময়াই কৈথেল রিলিফ কেম্পতা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ৯ (ঐচ এন এস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ময়াই কৈথেলদা লমদম অদুগী মীয়াম অমদি ক্লবশিংনা খূৎশম্নদুনা পি এল সী একাদেমি ময়াই কৈথেলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওই ৬৪গীদমক ঙসি হৈরোক পার্ট-১ মমাং লৈকাই এম ৱাই সী ক্লব অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট চেম্বর ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া তেংবাংখ্রে।

কাংলূপকী ঈরাং অসিনা মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱারবা মীয়াম অসিগীদমক লমদম অসিগী মীয়াম্নসু অঙম-অঙম্বা মতেং পীবীয়ু হায়না এম ৱাই সী ক্লবকী মেম্বর রামচরননা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, ময়াই কৈথেলগী রিলিফ কেম্প অসিদা হৈরোক এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ রাধেশ্যাম টিম, থৌবাল শাবলতোংবা অপূনবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বী, থৌবাল নিংঙোম্বম উথা য়ুঠ ক্লব, বি জে পি মণিপুর প্রদেশ, রেভেন্যু মন্দল এস দি সী য়াইরিপোক, হৈরোক পার্ট-১ মমাং লৈকাই, এম ৱাই সী ক্লব অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট চেম্বর ওফ কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিজনা লাঞ্জেন্নরক্লিবা মীয়াম অসিগীদমক খনবীদুনা অঙম-অঙম্বা তেংবাং পাংবীরকপগীদমক পি এল সী একাদেমি ময়াই কৈথেল রিলিফ কেম্প কম্মিটিগী মায়কৈদগী অপেনবসু ফোঙদোরক্লি।

## কে এ এল এলনা পোৎলম কয়া তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ৯ (ঐচ এন এস):

কংলৈপাক অপূনবা লমজিং লূপ (কে এ এল এল) অমদি এল ও আই এস কম্মিটি লাঙথেলনসু লাঙথেল খুলগী মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক কাঙলূপকী ঈরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরকপদগী ইম্ফাল ইষ্টকী তোঙান-তোঙানবা মফম- লিতান পোকপী, দোলাইথাবী, য়ুম্নাম খুনৌ লাই লম্পাক, ব্রাইটর করিয়র একাদেমি খুন্দ্রাকপম, খুন্দ্রাকপম আশা ক্লব, খুরাই সলাম্থোং অরাম্বাই লম্পাক, কোস্মোপোলিটান হায় স্কুল চীংখু অমদি ইমা সনা চীংজরোইবী খুরাই কোন্সম লৈকাইনচিংবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা কোইনা চৎতুনা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা অমদি ফিরোল কয়া তেংবাংখ্রে হায়না কে এ এল এলগী সেক্রেটরি পি লেনিন মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।